# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখদুনা আইনগী ৱাংমদা থবক তৌবা মীওইশিং লেপ্তুনা ফাগৎলি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইমান্যুএল মেক্রোনগা ঙরাং য়ুক্রেনগী উংখৎনরিবা ফিভম য়াওনা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- জি.এস.টিগী কান্নবশিং মীয়ামদা নিংথিনা য়ৌহল্লিব্রা হায়বদু মহাকা হকথেংননা য়েংশিনগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখদুনা আইনগী ৱাংমদা থবক তৌবা মীওইশিং লেপ্তুনা ফাগৎলি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হাওরৈবী অৱাং লৈকাইদগী প্রিপাক্কী মীওই অমা পুলিসনা ফারে। মীওই অসি দুকান, করবার তৌবা মীওইশিং অমসুং মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং অৱাং লৈকাইদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমসু ফারে। ফারবা মীওই অদুদগী চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা অমসুং মোবাইল ফোন অমা ফাগৎখি।

অমরোমদা, সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনগী কাংবু অমনা থৌবাল জিলাদগী সাইবর ক্রাইমদা চেন্নবা মীওই অনি ফারে। ফারবা মীওই অনি অদু মীয়ামদা অরানবা মওংদা বেঙ্ক এক্কাউন্ট হাংহন্দুনা শেল লৌথোকপদা চেন্নবনি হায়রি।

এমএসএমই (এল)ঃ রাইজিং এন্দ এসলেরেতিং এম.এস.এম.ই পাফোর্মেন্স (রাম্প) স্কিমগী মখাদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কমিতিনা শিন্দুনা ঙরাং মাইক্রো, স্মোল অমসুং মেদিয়ম ইন্তরপ্রাইজেস (এম.এস.এম.ই)গী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা লম্খুং ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রি সেন্তর মণিপুরগী জেনেরেল মেনেজরগী মখাদা শিনখিবা থৌরম অদুদা শকাইরবা মীওই কয়ানা রাম্প স্কিমগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা উদয়ম রেজিষ্ট্রেসনসু পাঙথোকখি।

ডে (এল)ঃ নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেত চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা আর.দি. ৱিং কমপ্লেক্সতা ৬ শুবা মালেমগী অশেংবা নুংশিৎ ওইহন্নবগী নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোক্কনি। পালন থৌরম অসিগী থিমদি- রেসিং ফোর ইয়ার হায়বসিনি।

ফেষ্টিভেল (এল)ঃ আর এন্দ ভি আর্ট হাউসনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসকী কমপ্লেক্সতা নুমিৎ নিনি চুপা চথরকপা মণিপুর আর্ট ফেষ্টিভেল ঙসি লোইশিল্লগনি। ফেষ্টিভেল অসিদা অয়েকপা লাই, ফোটো, লাইফ পার্ফোমেন্স, ফেসন ইন্সটোলেসন্নচিংবা উৎলি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইমান্যুএল মেক্রোনগা ঙরাং য়ুক্রেনগী উংখৎনরিবা ফিভম য়াওনা মালেমগী অমদি লমদম লমদমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। উংখৎনরিবা ফিভম অসি লোইশিনহন্

দুনা অথুবা মতমগী মনুংদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবা হোৎনবদা ভারতনা মতম পুমমক্তা শৌগৎলি হায়বা ৱাফমসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি।

টেলিফোনগী খুখাংদা ৱারী শান্নবদা লুচিংবা অনিনা ভারত অমসুং ফ্রান্সনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা তেংবাং পীনরিবা অদুগী মতাংদসু য়েংশিনখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়- ভারত অমসুং ফ্রান্সকী মরুপ মপাং ওইবগী মরী অসিনা মালেমদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকপদা চাউনা মতেং পাংগনি। মথং চহিগী ফেব্রুৱারি থাদা ভারতনা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎতা য়াওনবগীদমক বার্তন তৌবদা য়াবীরকপগীদমকসু শ্রী মোদিনা রাষ্ট্রপতি মেক্রোনবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকপু তরামা ওকবা শেম শাদুনা লৈ হায়নসু শ্রী মোদিনা হায়খি।

সিতারমন ঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- জি.এস.টিগী কান্নবশিং মীয়ামদা নিংথিনা য়ৌহনবগী থৌওং মহাকা হকথেংননা য়েংশিনগনি। মিদিয়া চেন্নেলশিংগী উন্নবদা শেল থুম মন্ত্রিনা হায়- জি.এস.টি নৌনা শেমদোকপা অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামা তরামা ওকই। মসিগী কান্নবা ফংবা ঙমদবা য়াওরবদি মীয়ামা পাউ খঙহল্লকবসু মহাকা হায়খি।

জিএসটি ঃ কেন্দ্রনা হন্দক্তা মরুওইবা লম খরদা লৌবা জি.এস.টিগী চাং হন্থহন্নবা লাউথোকখিবা অদুনা কোওপরেতিভশিং, লৌমীশিং, খুঙ্গংগী ইন্তরপ্রাইসশিং অমদি শঙ্গোম পুথোকপা মীওই কোতি ১০ হেনবদা হকথেংননা কান্নবা ফংহল্লগনি।

কোওপরেসন মন্ত্রালয়না চেরোল অমদা হায়- অসিগুম্বা শিংথানিঙাই ওইরবা থৌওং অসিনা কোওপরেতিভ সেক্তরবু হেন্না চাওখৎহন্দুনা মখোয়গী পোত্থোকশিং হেন্না মগুন লৈহনবা ঙল্লগনি। মখোয়গী পোত্থোকশিং অদু মীয়ামা পামবসু হেনগৎপগা লোয়ননা কোওপরেতিভশিংগী শেন্থোক হেনগৎহনবা ঙল্লগনি। মন্ত্রালয়না হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা শেমখিবা

নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্ম অসিবু অচৌ অচৌবা কোওপরেতিভ ব্রাঞ্চশিং য়াওনা শঙ্গোমগী কোওপরেতিভ সেক্তর পুমমকা তরামা ওক্লি।

চৌহান ঃ  কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়- নৌনা শেমদোক্লবা জে.এস.টিগী চাং অসিনা লৌউ শিংউগী লমদসু চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি।

ভোপালদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী চৌহান্না হায়- অহোংবা কয়া পুরক্লিবা অসিনা লৌমীশিংনা মখোয়গী লৌউ শিংউবদা শিজিন্নবা খুৎশু খুৎলায়শিংগী মমল হন্থহন্দুনা মখোয়না লৌউ শিংউবদা চংবা শেনফমগী চাং হন্থহল্লগনি অমদি মখোয়গী শেন্থোক হেনগৎহল্লগনি।

পঞ্জাব ঃ  পঞ্জাবতা ঈশিং ঈচাউগী খরা ফগৎলক্লবসু হৌখিবা পুং ২৪ দা অমৃটসর অমসুং রুপনগরদা নৌনা মীওই অহুম লৈখিদ্রে। মসিগা লোয়ননা রাজ্য অদুগী জিলা ১৪ দা ঈচাউনা মরম ওইদুনা শিখিবা মীগী মশিং ৪৬ শুখ্রে। ঈশিং ঈচাউ অসিনা খুঙ্গং লিশিং ১,৯৯৬ কী মীওই লাখ ৩ লিশিং ৮৭ লোমদা অৱাবা মায়োকহল্লে। মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না পঞ্জাব সরকারনা ঈচাউ অসিদা লুপা কোতি লিশিং ১৩ রোমগী মাল চাং অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়না ফোংদোকখ্রে হায়রি।  ভারত লান্মী, এয়ার ফোর্স, এন.দি.আর.এফ অমসুং বি.এস.এফকী কাংবুশিংনা ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরবা মীওই লিশিং ২৩ হেন্না শাফগদবা মফমদা পুথোরকখ্রে।

পেলেষ্টাইন ঃ  ইজরেলনা গাজাদা ঙরাং চথুখিবা এটেক্তা পেলেষ্টাইন মচা ৪১ হেন্না শিরে। পাউ খরনা হায়- শিরিবশিং অদুগী মনুংদা গাজা সিতিদা মীওই ২৫ য়াওরি। ২০২৩ গী ওক্তোবর থাদা ইজরেলনা গাজাগী মথক্তা লান্দাবা হৌখিবা অদুদগীনা হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই লিশিং ৬৪,৩০০ হেন্না শিখ্রে। অদুগা মীওই লাখ ১ লিশিং ৬২ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে।

হোক্কি ঃ    এসিয়া কপ হোক্কি চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেলদা ঙসি ভারতকা খা কোরিয়াগা থেংনরগনি।

বিহারগী রাজগীর ইন্তরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ভারতনা চাইনাবু পাঞ্জল ৭-০ দা মায়থিবা পীখিবনি। অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদনা খা কোরিয়ানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থিবা পাখি।  ফাইনেল মেটচ ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা শান্নগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রাইম মিনিষ্টরগী সেপ্তেম্বর ১৩ গী মণিপুর খোঙচৎকীদমক কন্না শেম শারি, গভর্নরনা ঙসি রাজ ভবনদা বি.জে.পি লুচিংবশিং, এম.এল.এশিং উন্নগদৌরি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

খৌরাংনা ঙাইনরিবা প্রধান মন্ত্রি খোঙচৎনা অহোংবা করিসু পুরকপা ঙমলোই, এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম কৌগদবনি  হায়না কংগ্রেস এম.এল.এ থোকচোম লোকেশ্বরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ক্লাইমেত চেঞ্জগী খোঙজেল তপথহনবদা ওর্গানিক ফার্মিংনা মতেং পাংলি হায়বসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী এনকর কলমগী পাউ ওইরি।

কে.এন.ও অমসুং য়ু.পি.এফনা সরকারগা চত্থরিবা দাইলোগ অমসুং নেসনেল হাইৱে থিংবগী মতাংদা শেংদোরকপগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ম্যান্মারদগী মীতোপ চংশিল্লকপগী চাং হেনগৎলক্লি, খুদক্তা য়েংশিনহৌদ্রবদি লাকশিনবা ঙমদবা ফিভম মায়োকরবা য়াই হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সি.আই.এস.এফকী চাওখৎ খোঙথাংগী মখাদা পার্সোনেল লাখ ১ লিশিং ৬০ দা কান্নবা পীরগনি হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পি.সি.সি.এফনা চান্দেলদা নিউ ইকো তুরিজম সাইট অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেট য়েংশিনখ্রে হায়না মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট অমসুং সেসন কোর্ট শঙ্গাখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পি.এমগী খোঙচৎকী মাংওইননা কংলা ফোর্ট শেমগৎ শাগৎলি হায়বা পাউ মোর্নিং বেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পি.এম. মোদিনা লেজিসলেতর খুদিংমক্কা উন্নগদবনি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লালহৌলুপ কে.এন.ও অমসুং য়ু.পি.এফনা মরৈ অনি লোংলকপা কুকি জো মীয়ামা এন.ঐচ. টু কৈদৌনুংদা থিংবা লৈতে হায়না লুপ অনি অসিনা ফোংদোরকপা ৱাফমনা সনালৈবাক্কী অহানবা পাউ ওইরি।

মোদিগী মণিপুর খোঙচৎ অমসুং সু শাংদোকহল্লকপগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোংদোকরক্লি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। য়ু.জি. কাদর অনি ফারে, মরাম-পেরেন লম্বী লৈঙাকা মীৎয়েং চংদ্রে হায়বা পাউশিংসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------